# কোবিদ-১৯গী মরক্তা খুদোংথীবা য়াওদবা মীখলগীদমক ভোটরগী লমজিং-লমতাক

মণিপুরনা মরক্কী মীখল ২০২০গীদমক থৌরাং তৌবগা লোয়ননা, চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসার, মণিপুরনা ভারতকী ইলেক্সন কম্মিসনগী মীৎয়েং মখাদা কোবিদ-১৯গী মরক্তা খুদোংথীবা য়াওদনা মীখল পাঙথোকনবগীদমক মখল মখা কয়াগী চেকশিল থৌরাংশিং পায়খৎখ্রে।

চেকশিল থৌরাংশিংগী মরক্তা তঙাইফদনা পোলিং স্টেসন সেনিটাইজেসন তৌথোকপা, থর্মেল স্ক্রিনিং, ফিজিকেল দিস্টেনসিং, টোকন সিস্টেম অমসুং পোস্টেল বেলোট সিস্টেম ফংহনবা অসিনচিংবা য়াওরি।

| কোবিদ চঙদবা মীখলগীদমক চেকশিল থৌরাংশিং | |
|---|---|
| মাস্ক অমদি গ্লোবশিং য়েন্থোকপা | |
| মীপূম খূদিংমক থর্মেল স্কেনিং তৌবা | |
| সেনিটাইজর, সাপোন অমসুং ঈশিং পীবা | |
| সোসিয়ল ডিস্টেন্সিং ঙাকপা | |
| পরেং শাংনা লেপ্তুনবা টোকন য়েনবা | |
| পোস্টেল বেলোটকী খুদোংচাবা ফংহনবা | |

## অদোমগী মমল য়াম্লবা ভোট থাদবা

১ ভোটরনা ফিজিকেল ডিস্টেন্স ঙাক্তুনা পরেং লেপ্পি।

ভোটরদা গ্লোব পীগনি



২ অহানবা পোলিং ওফিসারনা ভোটর লিস্টতা নহাক্কী মিং অমসুং আইডি প্রুফ য়েংগনি। শক উৎনবা ভোটরনা ফেসমাস্ক চিংথগনি।



৩ অনাশুবা পোলিং ওফিসারনা খূদোম্বীগী খূজিন্দা ইন্দেলিবল ইঙ্ক নমগনি, স্লিপ অমা পীগনি অমসুং নহাক্কী সোই তৌহনগনি।



৪ অহুমশুবা পোলিং ওফিসারনা স্লিপ অদু লৌগনি অমসুং নহাক্কী খূদোম্বীগী খূজিন্দা নম্লিবা মূক্তু য়েংগনি



৫ ভোটরনা অপাম্বা মীরেপ্তা ভোট থাদনবগীদমক্তা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেচিন (ইভিএম)গী বট্টন নমগনি; অতেনবা অহৌবা মখোল অমগা লোয়ননা অঙাঙবা মঙাল অমা ঙাল্লক্কনি। ভোটরনা অনম্বা পেপর স্লিপতু ভিভিপেটকী মিংশেল চনবা থোঙনাউদা উগনি।



নন ওফ ডি অবব (নোটা) অরোইবা ওপ্সন ওইনা ফংগনি




৬ ইভিএম-ভিভিপেটতা ভোট থাদবা লোইরগা ভোটরনা গ্লোব অদু ডস্টবিন অমদা হাপচিনগনি অমসুং পোলিং স্টেসন থাদোক্ত্রিঙৈদা খূৎ অনীমক সেনিটাইজেসন তৌগনি।





## মীখলগী অরোইবা পূংফমদা ভোট থাদবা

টেম্পরেচর অনীরক য়েংবদা ওইফম থোকপদগী হেল্লবদি ভোটর অদু ভোট থাদবগী অরোইবা পূংফমদা লাক্তুনা কোবিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্তুনা ভোট থাদরনবা টোকন /সার্টিফিকেট পীগনি।



কোবিদ-১৯ লাইওং লোয়নরবা ভোটরশিংদি ভোট অরোইবা পূংফমদা থাদহনগনি। পোলিং বুঠ মনুংদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক খুদোং থীবা থোক্তনবা পিপিই শিজিন্নহনগদবনি।



HL-B/6514/07